# মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট ১৬ কী রাজ্য সভা মীখলদা বি জে পি না মপুঙ ফাবা মেজোরিটি ফংগনি হায়বগী থাজবা থল্লি



***ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৫ ঃ***
মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট ১৬ কী রাজ্য সভা সিট ৫৮ গী মীখলদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না চপ চাবা মেজোরিটি ফংলগনি হায়না থাজবা থল্লি।

উত্তর প্রদেশকী সিট ১০ গী মনুংদা নিপাল বি জে পি না ফংগনি হায়বগী থাজবা থল্লি। পার্টিগী লুচিংবা অমনা ফোঙদোকখিবদা রাজস্থানগী সিট ৩ মক ফংবা ঙমগনি। মহারাষ্ট্রগী ওইনা সিব সেনানা সিট ৪ ফংখিবা য়াই অদুগা ২ না বি জে পি পার্টিনা ফংগনি। সিব সেনা বি জে পি গা চুঙশিন্নরিবা এন দি এ গী মনুংদা লৈবা পার্টি অমনি। অদুম ওইনমক বিহার অমসুং গুজরাটতদি বি জে পি গী সিট মশীং হন্থনা ফংলবা য়াই। মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা সিট ৬ কী মনুংদা বিহারগী ওইনা বি জে পি না সিট ৩ খক্তমক ফংগনি হায়বগী থাজবা থল্লি। লোয়ননা গুজরাটকী সিট ৪ গী মনুংদা ২ খক্তমক ফংগনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়রি।

বি জে পি গা চৎমিন্নরিবা অমসুং এন দি এ দা লৈরিবা পার্টিশিং – এ আই এ দি এম কে, টি আর এস, বি জে দি অমসুং ৱাই এস আর না ফংলকপা সিট মশীংশিং পূন্না পারগা সিট ২৪৫ লৈবা রাজ্য সভাদা এন দি এ লৈঙাক্লা মেজোরিটি ফংগনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

ট্রেজরী বেঞ্চকী মনুংদা রিজনেল পার্টি কয়াসু ফম্বনা মরম ওইরগা লৈঙাক্লা পুথোকপা এজেন্দা বিল কয়াগী মায়োক্তা লৈবা থেংনখ্রে। মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা রাজ্য সভাগী মীখল মতূংদদি বি জে পি না চপ চাবা থবক তৌবা ঙম্বগী মশীং অদু ফংলগনি।

পাউগী লীখুন অমগী মতূং ইন্না বি জে পি না মীখল অদুগীদমক নোমিনি খনবগী থবক পায়খৎপা হৌরগনি। পার্টি অদুগী শক্তি লৈরবা জেনরেল সেক্রেটরী ৮ বু ওফিস বিয়ারর ওইননবা খনখ্রে। জেনরেল সেক্রেটরী– অনিল জেল, অরুন সিংহ, কৈলাস বিজয় ভর্দিয়া, পি মুরালি ধর রাও অমসুং রাম মাধবনচিংবা মকোক থোংবা লুচিংবা কয়া লাক্কদৌরিবা রাজ্য সভা মীখলগী মরু ওইবা থৌ পুননবা হাপখ্রে।

রাজ্য সভাগী সিট ২৪৫ কী মনুংদা কংগ্রেস পার্টিনা সিট ৫৮ ফংদুনা খ্বাইদগী সিট মশীং য়াম্বা পার্টি ওইরি। হৌজিক বি জে পি না কংগ্রেসকা লন্বা তৌননবগীদমক সিট ৫৪ তঙাই ফদনা ফংবা মথৌ তারি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইরিবা অরুন জেটলি, প্রকাস জবদেকর, রবি সঙ্কর প্রসাদ, ধর্মেন্দ্র প্রধান, জে পি নাদা, থৌৱরচান্দ গেহলোট অমসুং রামদাস অথৱালেগী মতম লোয়রকপগা লোয়ননা মখোয় অমুক হন্না অনৌবা টার্মগীদমক খনবা তঙাই ফদবা লৈরি হায়রি।

# নোর্থ কোরিয়ানা য়ু এস কা ৱারী শান্ননিংবগী অপাম্বা লৈরে

***শিওল, ফেব্রুৱারী ২৫ ঃ***
নোর্থ কোরিয়ানা য়ু এস কা ৱারী শান্ননিংবগী অপাম্বা লৈরে হায়না সাউথ কোরিয়ানা ঙসি ফোঙদোকখ্রে। জেনরেল কিম য়োং চোলনা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জো ইন গা ৱিন্টর ওলেমপিক লোয়শিনবগী থৌরমদা উন্নখ্রবা মতূং ৱাফম অদু ফোঙদোরকখিবনি।

য়ু এস কী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী মচানুপী বাঙ্কা ট্রম্পসু ৱিন্টর ওলেমপিক লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। অদুম ওইনমক য়ু এস ওফিসিয়েলশিংনা বাঙ্কাবু নোর্থ কোরিয়াগী দেলিগেটশিংনা উন্নবদি য়াহনখিদে।



ৱিন্টর ওলেমপিক হৌদোকপগী থৌরমদা য়ু এস কী ভাইস প্রসিদেন্ট মাইক পেন্স কা নোর্থ কোরিয়াগা উন্নগদবা অদু নোর্থ কোরিয়ানা হন্দোকখিবা লৈখ্রবনি হায়রি।

ইং ১৯৫০ দগী ৫৩ ফাওবা শোক্লখিবা লানফমদা কোরিয়ন পেনিনসুলাবু অনী থোক্লা খায়দোকপা মদুগী মতূং অনী থোক্লা খায়দোকখ্রবা লৈবাক অনীনা সাইল অমত্তা তৌনখিবা লৈত্রি। সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ু এস কী মরক্তা অফবা মরী লৈনবা অদুনা মরম ওইরগা নোর্থ কোরিয়ানা সাউথ কোরিয়াগা নকশিন্নদনবগী মরম অমা ওইহনখি।

এক্সপার্টশিংগী মতূং ইন্না হৌজিক ওইরক্লিবা অনৌবা খোঙথাং অসিনা কোরিয়ন পেনিনসুলাদা লৈরিবা উংখৎনবগী ফিভম অদু লোয়শিনহনবা য়াবগী ওইথোকপা লৈতে। নোর্থ কোরিয়ানা মালেমগী লৈবাকশিংনা য়ানিংদবা থবক কয়া তৌখ্রে। ন্যুক্লিয়ার অমসুং মিসাইল চাংয়েং কয়া মমাঙ চহীদা মথং মথং পাঙথোকখিবসু লৈখ্রে।

ইং ২০১০ দা জেনরেল কিমনা চেয়োনাল ৱার্সিপ অমসুং য়েওল পেয়োং ঈথৎতা এটেক্ট চথরকখি হায়বগী মরাল শিবসু লৈরিবনি। নোর্থ কোরিয়ানা চথরকখিবা এটেক্ট অদুদা সাউথ কোরিয়াগী সেলর ৪৬ কী পুন্সি মাঙখি।

সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে ইনগী ওফিসনা ফোঙদোরকখিবদা নোর্থ কোরিয়ানা হৌজিক য়ু এস কা ৱারী শান্ননিংবগী অপাম্বা লৈরি। লোয়ননা কোরিয়া লৈবাক অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নবসু য়ারে। নোর্থ অমসুং য়ু এস কী মরী পূন্না ফগৎহনবদসু য়ানিংবা পোক্লে হায়খি।

পিয়োংয়াংনা হৌজিক ফাওবগীদি সাউথ কোরিয়াগী ৱাফম অদুদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। অদুম ওইনমক ৱারী শান্নবা তারবদি কন্দিসন য়াওদনা শান্নবগী অপাম্বা লৈ হায়রি।

অমরোমদা য়ু এন নদি নোর্থ কোরিয়াদা ন্যুক্লিয়র খূৎলাই মাঙহন্নবা অকনবা প্রেসর পীনবা ময়েক শেংবা খোঙফম অমদা অহানবা ওইনা ৱারী শান্নবা পাল্লি।

নোর্থ কোরিয়ানা অকনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখিবা মতূং লানগী মওংদা ৱাসিংতন্দা নৌনা মখল কয়াগী সেঙ্কসন থমজিনখিবনি।

পিয়োংয়াংগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হন্দক পাঙথোকখিবা ৱিন্টর ওলেমপিক্তা কোরিয়া লৈবাক অনীনা মতেঙ পীনদুনা পূন্না শরুক য়ামিন্নখিবদা নুংঙাইবা ফাওই। অদুম ওইনমক য়ু এস নদি কোরিয়ান পেনিনসুলাদা কা হেন্না সেঙ্কসন কয়া থমজিন্দুনা লান থোক্লবগী শীংনবা অমা ফাওহল্লি হায়খি।

## রিবেলনি চিংনবা তরেৎ সেক্যুরিটি ফোর্সনা হাৎখ্রে

***কেপ টাউন, ফেব্রুৱারী ২৫ ঃ***
চর্চ অমদা লোৎতুনা লৈরম্বা রিবেলশিংনি চিংনবা মীওইশিংগা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখ্রে। খূৎ থোক্লবা অদুদা হৌখিবা য়ূমশকৈশা নুমিত্তা পুলিস ষ্টেসন অমদা এটেক্ট চথরকপগী থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়বা মীওই তরেৎ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা নোংপোক থংবা কেপ প্রোভিন্সতা লৈবা পুলিস ষ্টেসন অমদা লান্দারক্তুনা মীশি মীনা কয়া নংহনখ্রবা মতূং ঙসি নিয়াঙ্গা খুঙ্গংদা লৈবা চর্চ অমদা লোত্তুনা লৈরম্বা মীওই ৭ হাৎখ্রে অদুগা ১০ না ফাগৎখ্রে।

নেসনেল পুলিস কম্মিস্নার খেহলা জোন সিটোলনা চর্চ অদুগী অকোয়বদা তিনখিবা মীয়ামদা ফোঙদোকখিবদা পুলিসতা এটেক্ট চথরম্বা মীওইশিংগী মথক্তা অচুম্বা ৱায়েল চথবনি। অদুগুম্বা থৌওং অদু সাউথ অফ্রিকাদা মখা তানা থোকহল্লোই হায়বগী ফিরেপ লৌরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

সিটোলনা মখা তানা হায়, পুলিস ষ্টেসন অদুদগী লাক্তুনা পুখিবা খূৎলাই কয়াসু ফংবা ঙম্লে। মখা তানা মরাল লৈবশিং ফাননবা থি হুম্বগী থবক চথখিগনি হায়খি।

## য়ু এন না সিজ ফাইয়ারগী অয়াবা পীখিবা পুং ১ গী মতূংদা সিরিয়া লৈঙাক্লা এয়ারষ্ট্রাইক চথখ্রে

***সানা, ফেব্রুৱারী ২৫ ঃ***
য়ুন এন সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা ইরাই নুমিত্তা সিজ ফাইয়ার রিজোলুসন পাস তৌখিবা হেক মতূংদা সিরিয়া লৈঙাক্লা রিবেলশিংনা খুদুম চনবা মফম কয়াদা এয়ারষ্ট্রাইক চথখ্রে।



নোংপোক থংবা ঘৌটাদা হৌখিবা চয়োল অমগী মনুংদা মীওই চা কয়াগী পুন্সি মাঙখ্রে। সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা অমত্তা ওইনা নুমিৎ ৩০ নিগী লান লেপ্পনবা রিজোলুসন অমা পাস তৌখিবনি। অদুম ওইনমক ঙসি ইরান অমসুং সিরিয়া লৈঙাক্লা দমাস্কসকী মতাইদা লৈবা টেরোরিষ্টশিংগী মথক্তা টার্গেট তৌখিগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

য়ু এন না সিজ ফাইয়ারগী ৱারেপ লৌখিবা অদু অৱাবা নংলবা লমদম অদুদা লৈরিবা মীওইশিংদা হিদাক লাংথক অমসুং তেঙবাংগী পোৎ পুশিন্নবা অমদি অশোকপা মীওইশিংবু হোন্দোক্লক্লবগী খুদোংচাবা অমা লৌননবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা জিহাদি কাঙলূপ অদুগী মথক্তা চথরিবা ওপরেসন অদু অমনা অমবু থাজনবা হায়বা ৱাফম অসিনা কোনশিনবা ঙমদ্রি।

সিরিয়াদা লৈবা হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্টশিংনা হায়, ন্যু য়োক্তা য়ু এন না সিজ ফাইয়ার রিজোলুসন অমা লৌখ্রবসু সিরিয়া লৈঙাক্লা মখা তানা রিবেলশিংনা খুদুম চনবা মফম কয়াদা লেপ্পা লৈতনা এয়ারষ্ট্রাইক চথরি।

নৌনা এটেক্ট চথরকপদা মীচম অহুম শিখ্রে। নাকল অমরোমদা নোংপোক থংবা ঘৌটাদা লৈবা রিবেলশিংনা হায়, মখোয়না লৈঙাক্কী মশীং য়াম্লবা লান্মী কয়া হাৎখ্রে হায়রি।

নোংপোক থংবা ঘৌটাগী মরু ওইবা সহর, দৌমাগী মতাইশিংদা লৈঙাক্কী লান্মীনা টার্গেট তৌদুনা এয়ারষ্ট্রাইক চথরি হায়না য়ু কে দা বেজ তৌবা সিরিয়ান ওবজার্বেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ফোঙদোরকখি।

লান শোক্লরিবা সিরিয়া লৈঙাক অমসুং রিবেল ফোর্সশিংগী মরক্তা চাওনা অশোক–অপন নংলে। নোংপোক থংবা ঘৌটা লৌশিন্নবগীদমক সিরিয়া লৈঙাক্লা গ্রাউন্দ ওপরেসন চথবা হৌখ্রবনি হায়রি।

চৈরকসিদা ইরান্না সিজ ফাইয়ারগী ৱাফম অদু শৌগৎলি। অদুম ওইনমক সিজ ফাইয়ারনা কোনশিন্দবা দমাস্কসকী মতাইশিংদদি মখা তানা ওপরেসন চথগনি হায়রি।

ইরান অমসুং রুসিয়ানা সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাসর অল–অসাদতা শৌগৎতুনা টেরোরিষ্টশিংগী মখূৎতা তাখ্রবা মফম কয়া হন্দোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি হায়রি।

নোংপোক থংবা ঘৌটাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা রিবেল ফেকসনশিংগী মরক্তসু লেপ্পা লৈতনা খূৎ থোক্লরি। মদুনা মরম ওইরগা রিবেলশিং সিরিয়া লৈঙাক্কী মখূৎতা মায়থিনবগী মরম অমা ওইরি হায়রি।


GAS TODAY

**Imphal LPG Service**
Booking : 25/01/18
Sl. No. upto 47290
Valid : 20/11/17
Stk : 104/19kg 20
Delivery Heinoupok Godown

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 02/01/18
Sl. No. 3832
Valid : 30/12/17
Sl. No. 3081
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**TDK Sekmai**
Booking : 12/01/18
Valid : 06/01/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m


## ছুটি পীয়ু য়াদে হায়বগীদমক এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে

***মেঘলায়া, ফেব্রুৱারী ২৫ ঃ***
মেঘলায়াদা কন্সটেবল অমনা ছুটি পিয়ু য়াদে হায়বগীদমক মহাক্কী মথক থোংবা এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে। লাইবক থিবা থৌদোক অদু মেঘলায়াদা লৈবা ৮১২ আর পি এফ কম্পনি অমদা থোকখিবনি। লৈখিদ্রবা কম্মান্দেন্ট অদুনা মুকেস সি ট্যাগী কৌই। অদুগা নোংমৈ কাপখিবা কন্সটেবল অদুনা অরুন দেসৱাল কৌবা মীওই অমনি হায়রি।

মহাক্কী সার্ভিস এ কে রাইফলসনা কাপ্পদা এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট ট্যাগি লৈখিদ্রে অদুগা অতোপ্পা কন্সটেবল জোগিন্দর কুমার কৌবা অমসু শোকহনখি হায়রি।

শোক্লবা পার্সোনেল অদু মখা তানা লায়েংনবগীদমক শিল্লোংদা লৈবা নেগ্রিমস হোস্পিটালদা পুখৎখ্রে। অদুম ওইনমক মহাক্কী ফিভম খুদোং থিনিঙাই ওইদ্রে হায়রি।

ছুটি পীয়ু য়াদে হায়বগীদমক হকচিনবা ফিরেপ লৌবদা ওফিসার অমবু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা কন্সটেবল খূৎলাইগা কোন্ননা ফারে। অদুগা অশিবা হকচাং অদুনা পোষ্ট মোর্টেম তৌননবগীদমক নেগ্রিমসতা থাখ্রে হায়রি।

## দিল্লিগী ওজাশিংদা এটেক্ট চথরকপশিং এক্সন লৌখৎনবা গভর্ণরদা তকশিনখ্রে



***ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ২৫ ঃ***
দিল্লিগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়ানা লেপ্টিনেল গভর্ণর অনিল বায়জালদা স্কুল ওজাশিংগী মথক্তা এটেক্ট চথরকখিবা মীওইশিং চপ চাবা এক্সন লৌখৎনবা হায়জখ্রে।

দিল্লি পুলিস গভর্ণরগী মখাদা লৈবনা হীরম অদুগী মতাংদা মনিস সিসোদিয়ানা লেপ্টিনেল গভর্ণরদা হায়জখিবনি। মমাঙদা আই এস ওফিসার অমা ফুরম্বগী মতাংদা দিল্লি পুলিসনা মীওই অমত্তা ফাগৎখিবা লৈখিদে। মদুগী মহুৎ থিগৎলি হায়দুনা অদুমক লৈখিবনি হায়না মনিস সিসোদিয়ানা ফোঙদোরক্লি।

অদুম ওইনমক এ এ পি গী এম এল এ অনী অমনাটুলাখান অমসুং প্রকাস জর্ৱাল ফাখিবগী মতাংদা য়ানিংদবা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি। এস কে ভি নারেলাগী ওজা ফুরম্বগী মতাংদা দিল্লি পুলিসনা এম এল এ ফাবা মতমদা লৌখিবা ইন্টরেষ্ট অদুগা মান্ননা থবক পায়খৎপিনবা সিসোদিয়ানা গভর্ণরদা হায়জখ্রে হায়রি।

## ট্রিপুরা, নাগালেন্দ অমসুং মেঘলায়াদা বি জে পি না মায় পাক্কনি ঃ *কিরেন রিজিজু*



***শিল্লোং, ফেব্রুৱারী ২৫ ঃ***
নাগালেন্দ অমসুং ট্রিপুরাগী লৈঙাক বি জে পি না শোয়দনা পায়রগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মীখল পাঙথোকখ্রবা ট্রিপুরা অমসুং নাগালেন্দ অমদি মেঘলায়াদা বি জে পি না মায় পাকপগা লোয়ননা অৱাং নোংপোক লমদমগী ষ্টেট খুদিংমক বি জে পি না লৈঙাক পায়রগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর (ষ্টেট) কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখ্রে।

অৱাং নোংপোক্কী অসাম, অরুনাচল প্রদেশ অমসুং মণিপুরদা বি জে পি না লৈঙাক পায়বা ঙমখ্রে। হৌজিক ষ্টেট অহুম অসিগী চপ চাবা ফিভম অমা খঙলবা মতূং বি জে পি না শোয়দনা লৈঙাক পায়রগনি।

অৱাং নোংপোক্কী মীয়ামবু মতম শাংনা ইনথোক্তুনা তোঙান্না লৈহল্লম্বা অদু বি জে পি না লৈঙাক পায়রকপা মতমদা লম্বী অমা পীবা ঙমখিবনি হায়নসু লুচিংবা অদুনা শিল্লোংদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোরক্লি।

লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, ট্রিপুরাগী মীখল অশোয়–অঙাম য়াওদনা পাঙথোকপা ঙমখ্রে। ট্রিপুরাদা বি জে পি না চাউনা মায় পাক্কনি। মপুঙ ফাবা মেজোরিটি ফংদুনা লৈঙাক পায়রগনি। নাগালেন্দগী ওইনসু শাফবা ফিভম অমদা লৈরি। বি জে পি না শোয়দনা লৈঙাক পায়গনি। বি জে পি না এন দি দি পি গা মীখল মমাঙদগী চুঙশিন্নরক্তুনা সিট ২০।২০ দা মীরেপ থাদোক্তুনা লম্বা তৌনরি। সিট ৬০ লৈবা মেঘলায়াগসু শাফবা ফিভম অমা লৈগনি।

মেঘলায়াদা রিরেন রিজিজু চহী ১০ হেন্না ইনচার্জ ওইনা থৌ পুরমখ্রবনি। মরম অদুনা মেঘলায়াগী রাজনিটিগী ফিভম মুন্না খঙঙি হায়রি।

## প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ওরোবিন্দো আশ্রম য়েংশিনখ্রে

***পুদুচেরি, ফেব্রুৱারী ২৫ ঃ***
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি পুদুচেরিদা লৈবা শ্রী ওরোবিন্দো আশ্রমদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। আশ্রম অদুবু লিংখৎলম্বা ওরোবিন্দোগী মীতমদা লৈ কত্তুনা ইকায় খূম্নবসু উৎখ্রে।

চেনাইদগী পুদুচেরিদা থুংলখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু আশ্রম অদুগী ওফিসিয়েল কয়ানা হরাও তয়াম্না ওকখি। ওরোবিন্দোগী মীতমদা লৈ কত্তুনা ইকায় খূম্নবা উৎলবা মতূং মিনিট খরা মফম অদুদা মেদিটেসন তৌদুনা লৈখি।

আশ্রম অদুনা চলাইবা ইন্টর্নেসনেল স্কুল ওফ ইদুকেসনগী অঙাংশিংগসু ৱারী ৱাতাই শান্নখি। লোয়ননা স্কুল অদুগী গোল্ডন জুবিলি থৌরমদসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শরুক য়াগনি হায়রি।

পুদুচেরিদা লৈবা ঔরোবিন্দো আশ্রমদা চৎননবগীদম প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা তামিলনাদুগী চেনাই এয়ারপোর্টতা থুংলখিবদা গভর্ণর কিরন বেদি অমসুং চীফ মিনিষ্টর ভি নারায়ন স্বামিনচিংবা লুচিংবা কয়ানা তরাম্না ওকখি হায়রি।

## শ্রীদেবী লৈখিদবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

***ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৫ ঃ***
বোলিৱুদতগী রাজনিটিদা খোঙদারকখ্রবী শ্রীদেবীনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা প্রসিদেন্ট রামনাথ কোভিন্দ, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, বাইস প্রসিদেন্ট ভেঙ্কয়া নাইদু অমসুং লুচিংবা কয়ানা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

লৈখিদ্রবী লুচিংবী অদুনা মপুরোইবা অমসুং মচানুপী অনী হুদোক্লমখ্রে। দুবাইদা পাঙথোকপা লুহোংবগী থৌরম অমা য়াওননবা লৈরিঙৌদা মশাগী চহী ৫৪ শুরবী শ্রীদেবী কার্দিয়াক এরেস তৌরক্তুনা লৈখিদবনি। অৱাবা ফোঙদোকপগী ৱারোল অমদা রামনাথ কোভিন্দনা হায়, শ্রীদেভিনা লৈখিদবদা মহাকপু নুংশিজবা অমসুং পামজবা মীওই মিলিয়ন কয়াগী থম্মোয় কায়হল্লে হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়, শ্রীদেবীনা মতম চাদনা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফাওই হায়খি।

# মাওইষ্ট, টেরোরিষ্ট থেংননবা সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্সনা হাই–ইন্দ দ্রোন ২৫ লৈগদৌরি

***ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৫ ঃ***
সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সি আর পি এফ) না মাওইষ্টশিংগী মথক্তা ওপরেসন চথবা অমসুং জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা টেরোরিষ্টশিং লাকশিনবদা হেন্না খুদোং চাননবগীদমক হাই–ইন দ্রোন ২৫ লৈগদৌরি।



দ্রোন লৈনবগীদমক টেন্দর তৌবগী থৌশিল পায়খৎপা হৌখ্রে। লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউবা পেরা মিলিটরি ফোর্স অমা ওইরিবা সি আর পি এফ না মথংগী থা অহুম নৎত্রগা মরিগী মনুংদা দ্রোনশিং ফংবা ঙম্লবা য়াই হায়না দিপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেলগী থাক্তা লৈবা ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইং ২০১৭ কী সেপ্টেম্বর থাদগী হৌনা দ্রোনশিং শীজিন্নবগী ৱাফম পায়খৎপা হৌরকখ্রবনি। ইং ২০১৭ কী ওক্টোবর ২৬ তা ওল লাইনদা টেন্দর তৌনবগী থবক পায়খৎখি। লৈগদৌরিবা অফবা মখলগী দ্রোনশিং অদু অমমমদা লুপা লাক্ষ ১৫ রোম পী। অফবা মখলগী দ্রোনশিং অদুনা নুমিদাংগী মতমদা সাভিলেন্স চথবা ঙমহল্লগনি। মদুতা নত্তনা মাওইষ্টশিংনা খূৎলিংবা ষটিসগর, জর্খন, অন্ধ্র প্রদেশ, টেলঙ্গনা, মধ্য প্রদেশ অমসুং মহারাষ্ট্রগী অশুকপা উমংশিংদা সার্ভিলেন্স চথবা ঙম্লগনি। হান্ননা লৈরবা সি আর পি এফ কী দ্রোন ৪০ গী ফ্লিটতা অনৌবা দ্রোন ২৫ হাপচিন্দুনা সি আর পি এফ কী থবক থৌরমশিংদা চাওনা মতেঙ পাঙগনি। লোয়ননা লান্মীশিং অদুদা এটেক্ট চথরকপা থিংবসু ঙম্লগনি।

অফবা মখলগী দ্রোনশিং অদুনা জিও–রিফরেন্স মষ্টর মেট লৌবা ঙম্বগী শক্তি লৈ। মিটর ২৫০ ৱাংবা মফমদগী লৈমায়দা ওইরিবা ফিভমশিংগী ভিডিও ফুটেস লৌবা ঙমগনি হায়রি।

দ্রোন মখল অদুদা মগুণ লৈবা জুম কন্ট্রোল য়াওরি। লোয়ননা নুমিদাংগী মতমদা ওপরেসন পাঙথোক্লবা থর্মেল ইমেজিং সিষ্টেমসু য়াওরি হায়রি।

সি আর পি এফ কী লুচিংবা অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা দ্রোন অদুনা মিটর ৩০০ লাপ্পা মফমদা লৈবা মীওইবশিং খঙদোকপা ঙম্বগা লোয়ননা টার্গেট তৌবা ঙম্মী। পৱার সপ্লাই সিষ্টেমগী লমদসু হেন্না ফগৎহন্দুনা য়ুনিভর্সেল বেটেরি চার্জর হাপ্লে। নুমিদাং অমসুং অয়ূক নুংথিলগী মতমদা তোঙান তোঙান্না শীজিন্নবা য়াবা কেমেরাশিংসু হাপ্লে।

সি আর পি এফ কী দাইরেক্তর জেনরেল আর আর ভদনাগরনা সি আর পি এফ কী ইনফ্রাষ্ট্রকচর হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দম থল্লি হায়রি।

সনা–সুদোকু –১০৯৪ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 3 | 7 | 6 | 2 | 4 | 9 | 1 | 5 |
| 9 | 1 | 5 | 7 | 8 | 3 | 2 | 4 | 6 |
| 2 | 6 | 4 | 1 | 5 | 9 | 7 | 3 | 8 |
| 4 | 2 | 6 | 9 | 7 | 5 | 3 | 8 | 1 |
| 5 | 7 | 1 | 8 | 3 | 6 | 4 | 9 | 2 |
| 3 | 9 | 8 | 4 | 1 | 2 | 6 | 5 | 7 |
| 6 | 8 | 2 | 3 | 9 | 1 | 5 | 7 | 4 |
| 7 | 4 | 9 | 5 | 6 | 8 | 1 | 2 | 3 |
| 1 | 5 | 3 | 2 | 4 | 7 | 8 | 6 | 9 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1095**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | | | |
| | | | | 2 | | 5 | | |
| 9 | 8 | | 4 | | 7 | | | 6 |
| | | 2 | 5 | 4 | 1 | 6 | | |
| | 4 | | | | | 9 | 1 | |
| | | | 9 | | 8 | | 5 | |
| 4 | | | | | | | | 9 |
| | | | | 6 | | | | |
| 7 | | 3 | | 5 | 9 | 1 | | |